ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯰, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ২০, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৭৬ শুবা মশীং

য়ু এন সীনা শিংনরকপা

দিমোক্রেসিদা লমন খুন্বা হায়বসি মীখলনা ওইগদবনি

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওক্রম ইবোবী অমসুং কোংগ্রেস পার্টিবু কাঙলুপ অমখক্তগী মিৎয়েংদা য়েংলগা থবক তৌরিবা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এস সী) না মীখল মমাঙদা থমখিবা অথিংবা অদুমক হৌজিকসু মখা তানা চত্থখিগনি হায়না লাউথোকখিবা থেংনরে। তশেংনমক্কীদি চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী শাংলবা চহী কয়া অমা কনামত্তনা অথিংবা পীদনা চীংগী লমদা চৎথোক চৎশিন তৌরম্মী। চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়ামরুমসু পায়খৎলম্মী। খুল কয়াদা চৎপদা খুনমীশিংনা দোলাই তোংহন্দুনা পুরম্মী। ষ্টেট অসিগী চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফম কয়ামরুমদা চৎখিবগী রেকোর্দ থেংনৈ। অদুবু এন এস সী এন (আই-এম) গী লুচিংবা মুইভা মণিপুরদা চঙহনখিদবা থৌদোক্কী তুংদা ও ইবোবী অমসুং মহাক্কী পার্টি এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং মসিগা নকশিন্নবা মীওই কয়াগী য়েক্লবা ওইরকখি হায়বসি মীয়াম্না খঙই। অসুম্না খোইদৌ শাওগৎতুনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা মীখল ময়াদা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবদগী কাঙবু অসিগী অশাওবা অমুক্কা হেনগৎলকখি। মসিনা মরম ওইরগা মীখলদা কোংগ্রেস পার্টি বোয় কোট তৌবা অমসুং নাগানা নম্না তাবা মফমশিংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী চঙহন্দবগী তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিং থোকখিবা লৈখ্রে। মরু ওইনা উখ্রুলদা মিনি সেক্রেটরিয়েট শঙ্গাবা চৎপদা মীয়াম্না বোয় কোট তৌখিবনা মরম ওইরদুনা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা মফমদুদগী শঙ্গারমদনা হল্লকখিবগী থৌদোকশিংসু থোকখ্রে। থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরগা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ও ইবোবী অমসুং মহাক্কী কোংগ্রেস পার্টি অমুক হন্না লৈঙাক পায়হন্দবা হায়বসি মখোয় খরগী অচেৎপা ৱাশকনি। ৱাশক অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়ামরুম পায়খৎলকখি। কোংগ্রেস ওইনা মীরেপ ওইবদা শোয়দনা মায় পাকপা য়াবা কেন্দিদেট কয়ামরুম য়ু এন সী অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবশিংনা অথিংবা পীবদগী মীরেপ ওইবা ঙমখিদে। মসিগীসু মথক্তা মখোয়বু মায় পাকহনখিদে। অদুবু ওক্রম ইবোবী অমসুং কোংগ্রেস পার্টি অসি তশেংনমক চীংমীশিংগী য়েক্লুব্রা হায়বা তারগদি কাঙবু অনী থোরক্কনি। কাঙবু অমনা মহাক চীংমীশিংগী য়েক্লবা নত্তে হায়বা অদুগা কাঙবু অমনা য়েক্লুবনি হায়বসিনি। অরোনবা পান্দম অমগী মখাদা এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং মসিগা চৎমিন্নরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনশিংনা থাংলিবা খোঙথাং অসি লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা অতৈ পার্টিনসু কূপ্না য়েংশিনবা চঙই। মখোয়না হায়বা য়ারক্তুবদি নোংমা মখোয়সু কোংগ্রেসতা চৈবগুম্না চৈরকখিগনি।

হৌখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা নাগানা নম্না তাবা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সি ১১দা কোংগ্রেসকী এম এল এ ৪ মায় পাক্লকখি। মায় পাক্লকখিবা এম এল এশিং অদুদি কারোং এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিদগী দি দি থাইসা, উখ্রুল এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিদগী অলফ্রেদ কানঙম অথর, তেংনৌপল এ সীদগী দি কোরুংথাং, নুংবা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিদগী গাইখাঙমনি। কোংগ্রেস পার্টিদা নৎত্রগা কোংগ্রেস মীরেপ ওইরিবশিংদা ভোট অমত্তা পীবা য়ারোই, মীরেপ ওইবা মীওইশিংসু খুদোংথিবা মায়োক্লগনি হায়না কয়ারক হন্না কিহল্লবসু নাগা ফুরুপশিংগী মনুং চল্লিবা মীওই খরদি মীরেপ অদুমক ওইরকখি অমসুং মায় পাক্লকখি। অথিংবা নীংথিজনা পীখিবা, কোংগ্রেসকী ৱার্করশিং ভোট চেন্দনবা ফু-চৈবনচিংবা চত্থখ্রবসু চীংদা কোংগ্রেসকী ফীভম অদুক হাক্লা ফৎখিদে হায়বা য়ারোই। অথিংবা, অপনবা মরক্তা এম এল এ ৪ নাগানা নম্না তাবা মফমদগী ফংখিবা হায়বসি কোংগ্রেসকী ওইনদি অচৌবা মায় পাকপনি হায়না লৌবা য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, মণিপুর দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি। এম এল এ মশীং ২১ কাবা, বি জে পিদা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি ময়াম্না শৌগৎলগা হৌজিকসু মণিপুরগী লৈঙাক পায়রি। মীয়ামগী অফবা থৌশিল কয়ামরুম শেল্লি। মশীং ২৮ কাখিবা কোংগ্রেসনা নোংমা নোংমগী মরায় চাইথরকখি। লৈঙাক শেম্বা নৎত্রগা পায়বা হায়বসি এম এল এশিংগী থৌদাংনি। মসিনবু এন্টি দিফেক্সন লোনা য়াবা নৎত্রগা য়াদবা থিদনা কোংগ্রেসকী এম এল এ ৮ বি জে পিগী লৈঙাক শেম্বদা য়াওরিবসিনি। কোংগ্রেসনা নৎত্রগা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওক্রম ইবোবীনা কনাগুম্বা খরগী মায়োক্তা অকনবা থবক লৌখৎলম্বা য়াই। থবকশিং অদুনা কনাগুম্বা খরগী মপূক্লিং শোক্লম্বসু য়াই। অদুবু মহাক্লা তৌখিবা থবকশিং অদু মরম চাব্রা নৎত্রগা চাদব্রা হায়বা ৱাহং অমা হংবা মতমদা মরম চাই হায়বা মীসু য়াওরক্কনি। অদুবু দিমোক্রেসিদদি লমন খুন্বা হায়বসি মীখলদা মীয়াম্না ভোট পীদবদুনি। মীয়াম্না ভোট পীদবদগী কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক পায়বা য়াবা মশীং ফংবা ঙমখিদে। মদুগী খুদোংচাবা বি জে পিনা লৌখিবসিনি। মরম অদুনা মীখল মমাঙদা নৎত্রগা মমাঙগী লৈঙাক্লা তৌখিবা ফত্তবশিং অদু থম্মোয়নুংদা থম্বদি থোইনা কায়দে। মদু নত্তনা পার্টি অসিগী পোলিটিকেল কনফরেন্স মখা তানা নাগাগী মফমশিংদা পাঙথোকপা য়ারোই হায়বনচিংবা ৱাফমশিং অসিদি দিমোক্রেসি মাল্লক্তে। লো এন্দ ওর্দরগী ৱাফম ওইবা অমসুং দিমোক্রেসিদা মশক থিহনবা য়াবা ৱাফমদি ফোঙহন্দনবা লৈঙাক্লা থবক খরদি লৌখৎপা চুন্দ্রা খল্লি।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

ঐখোয়বু কঞ্জনবা পান্বে পুথোকহৌসি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মণিপুরগী য়েলহৌমী অমা ওইরিবা মীতৈশিং অসি মীতোপ্পা য়োৎখিবা য়াবগী অকিবা চাউনা লৈরে হায়বসিদি চুম্লবা ৱাফমনি। অথুবদা ঐখোয়বু কঞ্জনবা পান্বে পুথোকহৌদ্রবদি ত্রেন য়ৌরকপগা ইরোয়ননা মুৎখিবা য়ানা লৈরবা মীতৈ ফুরুপনি। মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়বু ঙাক্লৌ পীবিয়ু হায়দুনা ঈহৌ কয়াসু হৌনরি। অখণ্ড-অহৈশিংগী মতুং ইন্না, ঙসি ঐখোয়গী কিনিংঙাই ওইরবা ফীভম অসি ওইরকখিবগী মরম কয়া লৈখ্রে। শোয়খিবশিং অসি চুমথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি মতম চঙগনি। মতম অদু ঙাইরিঙৈ, মীতৈ ফুরুপ মুৎখিবা য়াবগী ওইথোকপা য়াম্না চাউনা লৈবনা অথুবদা ওইথোকপা য়াবা পান্বে অমা হেক্তনা ঐখোয়বু কঞ্জহৌবা হায়বসি তঙাইফদবনি খঞ্জে। হৌজিক্কী ওইনদি চীংমী ইচিল-ইনাওগুম, মীতৈসু এস টি ষ্টেটস ফংনবা খ্বাইদগী থুবা অমদি ওইথোক্কদবা পান্বে ওইগনি হায়জনীংই। জেনরেল কেটাগোরিদা লৈনা লৈনা ঐখোয়বু ঙাক্লৌ পীবিয়ু হায়বসি খরা তাইওন্নব্রা খঞ্জে। হোয়, মীতৈনা এস টি ওইবসি থাক ৱাংবা-নেম্বগী ৱাফম খরা ফোঙদোক্লবা লৈতবসু নত্তে। অদুবু ঙসি ঐখোয়গী মাংদা লৈরিবসি লম্বেল অনীনি খঞ্জে। অমনা 'থাক নেম্বা' এস টি ওইনা অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগা পূন্না হিংমিন্নবা, অতোপ্পা লম্বী অমনা 'থাক ৱাংবা' নাইতোম তারবা ফুরুপ ওইনা, চহী ২০০০গী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা মালেমদগী মুৎখিবা, অপাম্বা লম্বেল খনবা হায়বসি ঙসিগী মীরোল ওইরিবা মীতৈ ঐখোয়গী খূৎতা লৈরে হায়জনীংই।

অদোমগী - য়ূম্নাম সামো মীতৈ
চুড়াচান্দপুর

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) য়োইশগাই (খ) উরৌরে

২। ''চেং লৈতবগী মরম পূম্নমক মঙোন্দা লোইনা তাইনবিরে।'' পরেংসি কুঞ্জমোহনগী 'ইলিশা অমগী মহাও' দগী লৌথোকপনি। মসিদা 'মঙোন্দা' হায়রিসি কনাবুনো?

৩। ''য়ু থকউ/গঙ্গা থকউ/কানি চাউ/.../মঙ মংঙু, নুংঙাইনা তূম্মু।'' কবি ইবোমচানা হায়বনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ''অহিং/মৈত্রবাক্কী অথেংবা অহিং/অহিং নঙগী নতম্বাক্তা চুরান্থাবশিংনা মনীং তল্লি।'' মসিনা 'তায়োন্নরবা অহিং' কৌবা শৈরেং অমদগীনি। নহা ওইরিবী অইবীদু কনানো?

৫। কাশিনাথকী নোভেলবু 'বন্ধান থম্লবা রঘু' হায়না হন্দোকপদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

রিমসকী ফাউন্দেসন দেদা চোঙখৎলকপা খরা...

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

হান্নদি রিজনেল মেদিকেল কোলেজ হায়রম্বা হৌজিক্লা রিজনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস হায়না মিংথোল্লবা ষ্টেট অসিগী অহানবা মেদিকেল কোলেজ অসি ঙসিদি চহী ৪৬ শুজিল্লক্লে। কুমজা ১৯৭২গী সেপ্তেম্বর ১৪দা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগা ৱাতানরগা ষ্টেট খুদিংমক্কী সিট স্যের তৌমিন্নদুনা রিজনেল মেদিকেল কোলেজ হায়না লিংখৎখিবনি। কুমজা ১৯৭৬তা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনেল মেদিকেল কোলেজ সোসাইটি হায়না নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনেল মেদিকেল কোলেজ সোসাইটিগী মখাদা মমিং লৈরকখি। চহী ১৯গী মতুং, কুমজা ১৯৯৫গী এপ্রিল ১দগী হৌনা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল, দিপার্টমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা রিজনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস হায়না অশিন অরাংগী থৌরাং অসি নৌনা শেমদোকখি। মসিগী চহী ১২গী মতুংদা অমুক হন্না রিমসকী মেনেজমেন্ট অসি কুমজা ২০০৭গী এপ্রিল ১দগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা এন ঈ সীদগী মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অমগী মখাদা ত্রান্সফর তৌদুনা হৌজিক ফাওবা চত্থরি।

রিমসনা মণিপুরগী লৈমায়দা মরু তারকপদগী হৌজিক ফাওবদা মমিং চৎলবা এম বি বি এস ডোক্তর কয়া পুথোকখ্রে। মণিপুরগী অনা লায়েংগী মতাংদা রিমসনা পুথোকখিবা এম বি বি এসনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকখি। মসিগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী এম বি বি এস গ্রেজুয়েট কয়া অমসু দিসিপ্লিন ২৪দা পোষ্ট গ্রেজুয়েট ত্রেনিং তৌদুনা পূন্না স্পিসিএলিষ্ট ডোক্তর পুথোক্তুনা নোর্থ ইষ্টতা খ্বাইদগী মমিং চৎপা মেদিকেল ইনষ্টিট্যুট অমা ওইদুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তা সুপর স্পেসিএলিটি ডোক্তর (য়ুরোলোজি অমদি প্লাষ্টিক এন্দ রিকন্সত্রক্টিভ সর্জরি) কয়া অমসু লেপ্তুনা পুথোক্লি। হৌজিক রিমসতা কোর্স হাংলিবশিংদি - এম বি বি এস, বি দি এস, বি এস সী (নর্সিং), এম ফিল (ক্লিনিকেল সাইকোলোজি), বি এ এস এল পি হায়রিবশিং অসিনি। মসিদা নত্তনা পি ঐচ দি কয়া অমসু পুথোকখ্রে।

চহী ৪৬কী পুৱারী অমা লৈরবা রিমস করি ফীভমদা লৈরিবগে হায়বা অসিগী মতাংদা মণিপুরগী মীয়াম্না তোয়না হংনবা ৱাহং অমদি লৈরি। ৱাহংশিং অদুগী মনুংদা হোস্পিটালগী লৈরিবা বিল্ডিং অসি চহী মশীং য়াল্লবা অহল ওইরবা বিল্ডিং ওইরকপনা মপাঙ্গল শোনজিল্লকপা উবা ফংলি। হৌজিক লৈরিবা বিল্ডিংগী অয়াম্বা শরুক্তি ১৯৬৮দা মতমদুগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর ওইরম্বা শ্রী ৱাই বি চভান্না শঙ্গারম্বা বেদ ৩০০ লৈবা হোস্পিটালগী শরুক অদু হৌজিকসু লৈরি। শাংলবা মতম অসি খরা শেমজিন শাজিনবা নত্তনা থোইদোক্লা মপাঙ্গল কন্নবা কা হেনবা থৌরাংদি পায়খৎপা লৈত্রি। য়েংবদা নুংশিবা পোক্লবা চহী য়াল্লবা বিল্ডিং অসিগী মখাদনি হিংনিংবগী ৱাখল মাঙদ্রিবা, নোংমদি শোয়দনা কল্লকখিগনি হায়না লোংনা হিপ্তুনা মীওই কয়া অনা চৈনা খাংলি। হিংনীং হিংনীংনা চৎখিবা কয়া অমসুনি। নুংশা হেন্না থিরিবদি, আশা কয়াগা লোয়ননা লায়েংলিবা অনাবশিংনা হিপ্লিবা বিল্ডিং অসি মতমগা চুশিন্নরিব্রা হায়বা ৱাহংশিং অসিনি। লমদম অসিদা অকনবা য়ুহা হারক্কনি হায়বা চেকশিন ৱা থল্লিবা নোংমা নাতৈ চাদনা নিল্লকপদা করি থোক্কদগে হায়বা তম্বা ঙমদ্রি। ঙসিদগী চহী খরগী মমাঙদা হাখিবা য়ুহা অদুদা শোকখিবা ইনষ্টিট্যুট অসিগী বিল্ডিং হৌজিক ফাওবা শেমজিনবা তৌদনা লৈরি। মসি ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদা দিরেক্টর ওইরিবনা স্লাইদ কাপ্তুনা মীয়ামদা উৎখিবনি। রিমসতি অৱাৎপগী অৱাৎপা মক্তা ঙাইরম্মী। মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা লৈরিবা হোষ্টেলগী ফীভম ওন্থোক্লা নুংশিনীংঙাই ওইবা ফীভমদা লৈরম্মী। চহী নিফুমঙাগী মমাঙদা শাখিবা হোষ্টেল ঙসিসু করিমতা হোংদ্রি। মশীং হাপকৎত্রি। নোঙ্খাং চাইরবা, চহী কয়াগী মমাঙদগী শাখিবা ও পি দি ব্লোক, গালর্স হোষ্টেল অমদি অতৈ ষ্ট্রকচরশিং হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দনা নিংখাইদৌরবা তোৰ্ব্বান্দা লেপ্পা অকংবা উপাম্বীগুম মীহুন শুদনা লৈরি।

রিমস হোস্পিটাল স্পিসিএলিটি ডোক্তর কয়া মশীং নাইদনা লৈরি। অদুবু ডোক্তরশিং অদুগী তৌফম থোকপা মথৌশিং নিংথিনা পাঙথোকহন্নবা ৱার্ক এনভাইরোনমেন্ট অমদি হৌজিকসু শেন্বীরমদ্রি। মতিক চাবা খূৎশু খূৎলায় লৈতবা অমদি লৈনবগী অকনবা থৌরাং পায়খৎতবনা ওইবা য়াই হায়বগী ৱাফম মায়কৈ কয়াদগী থম্নবা ঐখোয়না তাবা ফংলি। এ আই আই এম এসকী থাক্তা পুখৎকনি হায়না সেন্ত্রেল লুচিংবা অমদি শ্বাইগী লুচিংবশিংনা মচিনথোক-মখাথোক পংঙাঙ-ঙাঙলবসু হৈবোং অমুনবা য়া কাথোক্লগা ঙাইবগী থাক্তগী হেনদ্রি। করম্বা লাই লাক্লগা হৈবোং নিকথরক্কদৌরিবা, ফাগী ওইরসু সেরিয়স মেট্টর অমা ওইনা লৈহৌরি। ওপরেসন থিএটর মশীং য়ামদবনা ওইগদ্রা ওপরেসন তৌনবা হায়নরকপদা মথং চহী ফাওবা মতম থারকপগী পাউ অঙকপা অমা ওইনা তারি। অথুবা পান্নগনা মপান্দা লায়েংবা তারকই। লায়রবা অনাবদি এ আই আই এম এসকী থাক্তা পুখৎকনি হায়রিবা রিমসতা ওপরেসন তৌবা য়াবগী মতম ঙাইবদা শিবা থোক্লবদি কমদৌদৌরি। চহীদা লুপা ক্রোর কয়ানা খুজিং ওইদুনা মপান লমদা নৎত্রগা প্রাইভেট হোস্পিটালদা লায়েংবা চৎনরিবা অসিদগী কনবা ঙম্নবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ইনষ্টিট্যুট অসিগী করম্বা থৌশিল লৈরবগে হংবা য়াবা ৱাহং ওইনা থোরকই।

য়াম্না নুংঙাইবা পাউ অমনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী থৌশিল মখাদা মীয়ামদা লেম্না ইনভেষ্টিগেসন তৌবা য়াবগী অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা রিমস অমদি জেনিমস হোস্পিটালদা মখল কয়াগী ফ্রী লেবোরেটরি ইনভেষ্টিগেসন তৌবদা অঙকপা অমা ওইনরে। রিমসতা লায়েংলিবা ইনপেসেন্ট সেরিয়স ওইবা অনাবগী অলত্রাসাউন্দ লৌবা ফাওবা থা অমা মখায়গী মতুংদা লাকউ হায়না এদভাইস পীরকপা scene নমদুনা ইরগা পীরকপা অসিমদি মথোং য়াম চাদবা থৌশিলনি করম্না হায়রোইদৌরিবনো। ইনভেষ্টিগেসনদু তৌনবা অনাবদু থা অমা মখায় ঙাইদুনা হোস্পিটালদা লৈবা তারব্রা নৎত্রগা ডোক্তরনা লায়েংদনা লৈগদৌরিব্রা। মেনেজমেন্ট সিষ্টেম অমগী মখাদা থৌশিল অমা পুথোক্তবা তারবদি লায়েংশঙ অসিগা অনাবা কাঙবুগগী মরক্তা শাথিবা ৱাথোক শোয়দনা থোক্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। হোস্পিটাল মনুংদা লায়েংলিবা অনাবশিংগীদি কাঙলোন অমা পুথোক্তুনা খন্নগদবনি। য়াদ্রবা মেছিনশিং মতম চানা শেমজিনবা, ওপরেসন থিএটর অনৌবা খরা শেমদুনা সুপর স্পেসিএলিটি ডোক্তরশিংগী বেদ/ও পি দি/ওপরেসন হাপ্তুনা মীয়ামদা কান্নবা পীনবা শিনবা চুম্মী। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈরিবা ইনষ্টিট্যুট অমদদি থোইদোক্লা অরুবা ওইরোই, মরম চানা হায়রবদি লোইনমক্লা য়াগনি। মদুদা য়াদ্রবদি লৈবাক মীয়ামগী ঈহৌ লাকপা মশানা তাবনি। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিগী মীয়াম্না ফংজগদবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা অমদি লায়রবা মীয়ামগী হক কয়া অদু ফংহন্দনা লৈরিবা অসি য়েংনিবা চুমগনি হায়বসি ফাউন্দেসন দেগী থৌরম য়াওরুবদা ৱাখলদা চাইথোরকই।

চহী নিফুতরুক শুরবা হায়বসি মীওইবদদি মীয়াই চল্লবনি। অসি ফাওবদা রিমসতি ষণ শারগা চৎপা ঙমদবগী মওংদা অমদি চৎলম্মগা কুস্থরক্লে হায়না মীনা ঙাঙনরিবসি অফবগী খুদম নত্তে। ৱাশিংসিগী মরুমদা করি অশোনবা অশোয়বা লৈরবগে হায়বসি য়াম্না শান্না য়েংবা মিৎয়েং মতম থিল্লে। লাই খূৎশাংবীগী মখূৎ মশানা রিমসতা তম্নবা লৈরবদি সচি মপাগী থাঙশাং অদুগুম্বা দিরেক্টরনা হোই লাউদুনা পায়খৎপা মথৌ তারি। ফাউন্দেসন দে অসিনা অনৌবা ৱাখল্লোন অমদি থৌনা পীবা ওইরসনু।

য়াই চেনবী য়াইঙং : হীদাক পাম্বীশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী মঙম লৈবী-৪

(খোমগী কেন্সর ওইহল্লক্তবা অমসুং ঙাকথোকপা)


কেন্সর লৈত্রিবা (ওয়), কেন্সর লৈরবা খোম (য়েৎ)গী মামোগ্রামশিং



গুন মোরোক পাম্বীদা গুন মোরোক পানবগী শক্তম

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

খোমগী কেন্সর হায়বসি নুপীশিংদা খ্বাইদগী নাগনবা কেন্সর মখল অমনি। কুমজা ২০১২ খক্তদা মীওই মিলিয়ন ১.৭ খোমগী কেন্সরনা নৌনা নারকপা থেংনখি। মসি নুপীশিংদা নাবা কেন্সর পূম্নমক্কী চাম্মগী মনুংদা ২৫নি। অদুগা নুপীশিংদা কেন্সরনা নাবদগী শিবশিংগী মনুংদা খোমগী কেন্সরনা শিহনবসি মঙাশুবদা লৈ। য়াম্না ঙক্লিবদি খোমগী কেন্সরসি মরুওইনা ওইথংবা খোমদনা হেন্না নারিবগী মরমসি করিগীনো হায়বা ঙসিসু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রিবসিনি। নুপাদা খোমগী কেন্সর নাবগী চাংসি য়াম্না হন্থে। নুপী অমগী পুন্সিদা নুপাগা থেংনদবা তানফম খরা থেংনৈ। খুদম ওইনা থাগী খোঙকাপ, মীরোনবা, অঙাং পোকপা অমসুং মচাদা খোম পীথকপা অসিনচিংবসি পনবা য়াই। মখোয়সিগা কেন্সর নারকপগা মরী লৈনৈ হায়বসি থিজিনবা কয়াদগী খঙবা ঙম্লে।

থাগী খোঙকাপসি ঙনখৎনা লাকপা হায়বদি চহী ১২গী মমাঙদা, খোঙকাপ লেপ্পগী মতম থেংথবা হায়বদি চহী ৫৫গী মতুংদা, অহানবা মীরোনবসিনা চহী ৩০গী মতুংদা ওইবা-মখোয়সি নুপীশিংদা খোমগী কেন্সর নাহল্লকপা য়াবগী মরমশিংনি। মখোয়সিগী ওন্নবদা, থেংনা খোঙকাপ লাকপা, ঙন্না খোঙকাপ লেপখিবা, চহী ৩০গী মমাঙদা মীরোনবা অসিনচিংবসিনা কেন্সর নারকপা য়াবগী চাংসি হন্থহল্লি। অঙাং অমনা মশা ইনখৎলকপগী মতমদা এক্স-রেগুম্বা আইওনাইজিং রেদিএসনশিং শীজিন্নদুনা লায়েংখিবা অসিনসু খোমগী কেন্সর ওইহল্লক্লবগী মরম অমসু ওই। ইষ্ট্রোজেনগা প্রোজেষ্টেরোনগা নৎত্রগা ইষ্ট্রোজেনখক্তা পীজবগী হোর্মোন থেরাপিশিংনসু কেন্সর মখলসি ওইহল্লকপা য়াই। নহা ওইরিবী নুপীশিংনা অঙাং ওইদনবগী ইষ্ট্রোজেন অমসুং প্রোজেষ্টেরোন য়াওবা গুলিশিং চাবনসু অনাবসিগী রিস্ক খজিক্তং হেনগৎহল্লি হায়না অখণ্ড-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি। অদুবু নুংঙাইবা পাউ অমদি মচাশিংদা খোম পীথকপসিনা খোমগী কেন্সর ওইরকপা য়াবগী চাং হন্থহল্লি হায়বসিনি। মতম শাংনা পীথক্লগসু হেন্না ফৈ। অদুনা মমা ওইবীশিংনা অঙাংগীসু ফনবা, মশাগীসু ফনবা খোম কুইনা শাংনা পীথকপীগদবনি।

মমাঙগী ৱারেংদসু মেটাষ্টেসিসকী মতাংদা পঞ্জখ্রে। খোমগী কেন্সর নারকপদগী মেটাষ্টেটিক ওইরক্তুনা শরু, ফিরাক অমসুং থবোম্বীদা কেন্সরদু শন্দোকপা য়াই। মসিনা লায়েংবদা হেন্না লুশিনহল্লি। অদুবু নুংঙাইবা পাউ ওইনা, য়াইঙংদা য়াওরিবা করকুমিন্না খোমগী কেন্সরবু থবোম্বীদা শন্দোরকপদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না *ক্লিনিকেল কেন্সর রিছার্স* (ওক্টোবর ১৫, ২০০৫) কী পাউদম অমদা ফোঙদোক্লি। কেমোথেরাপিগী শরুক অমা ওইনা ***পাক্লিটেক্সেল (তেক্সোল)*** হায়রিবা হীদাকসি খোমগী কেন্সর লায়েংবদা শীজিন্নৈ। অদুবু মসি হু ওইবগী চাং ৱাংই। অদুগা মসিনা মেটাষ্টেসিস থোকপদা মতেং পাংবা ইনফ্লেমেটরি রেস্পোঞ্জ থোকহনবা প্রোটিন অমবুসু এক্টিভেট তৌহল্লি। মসিগী ইনফ্লেমেটরি রেস্পোঞ্জসি থোকপদা মতেং পাংবা ইনফ্লেমেটরি রেস্পোঞ্জ থোকহনবা প্রোটিন অমবুসু এক্টিভেট তৌহল্লি। মসিগী ইনফ্লেমেটরি রেস্পোঞ্জসি করকুমিন্না থিংদুনা কেন্সরসি অতোপ্পা কয়াৎশিংদা শন্দোকহন্দবদা মতেং পাংই। অতোপ্পা অমনা করকুমিনগা তেক্সোলগা পূন্না কাপ্পদা হেন্না ফৈ, লোয়ননা তেক্সোলগী চাং হন্থহন্দুনা হু ওইবগী চাংসু হন্থহল্লি হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লি।

এম দি এন্দর্সনগী দিপার্টমেন্ট ওফ এক্সপরিমেন্টেল থেরাপিউটিক্কী সাইন্টিষ্টশিংনা খোমগী কেন্সরনা নারবা উচি ৬০ বু কাঙলুপ মরি থোক্লা খায়দোকই : কন্ট্রোল গ্রুপ, তেক্সোলখক্তং, করকুমিনখক্তং, তেক্সোল অমসুং করকুমিন য়ান্নদুনা হীদাক থাবা। খোমগী কেন্সরগী চাওবগী চাংনা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাওরকপা হায়বদি মিলিমিটর ১০মুক ওইরকপা মতমদা, মখোয়দু থাঙ থাদুনা লৌথোক্লম্মী। অদুগা কন্ট্রোল গ্রুপ নত্তনা অতৈ গ্রুপশিংদা হীদাক থারগা মেটাষ্টেসিষ্টা করম্বা অহোংবা লাকপগে হায়বদু য়েংখি। কন্ট্রোল গ্রুপ্তা লৈখিবা উচি চাম্মগী মনুংদা ৯৬তা মীৎনা উবা ঙম্বা মেক্রোস্কোপিক লং মেটাষ্টেসিস লৈরম্বা থেংনখি। তেক্সোলখক্তং থাখিবা উচিশিংদা মেটাষ্টেসিসকী চাং ময়ায় ওইরপ্পা হন্থরম্মী, অদুগা করকুমিনখক্তং নৎত্রগা করকুমিন অমসুং তেক্সোল অনীমক থাখিবদুদদি মেটাষ্টেসিস থোরকপগী চাং অমসুং মশীং য়াম্না হন্থরম্মী। লোয়ননা মীৎনা উবা ঙমদবা মাইক্রোস্কোপিক মেটাষ্টেসিসকী চাংসি করকুমিন অমসুং তেক্সোল অনীমক পীজখিবা উচি চাম্মগী মনুংদা ২৮দা লৈরম্বা থেংনখি। অদুবু মখোয়দা মীৎনা উবা ঙম্বা মেটাষ্টেসিসতি থেংনরমদে। চাংয়েংসিনা তাক্লিবদি করকুমিন্না খোমগী কেন্সরবু থিংদুনা থম্মী হায়বসিনি।

এম দি এন্দর্সনগী থিজিল্লোয়শিংনা করকুমিনগী মতেংনা উনশাগী কেন্সরদগী ঙাকথোকপগী মতাংদা ইজখিবা ৱারেং অমদা (ওগষ্ট ২৩,২০১৭) ***নিউক্লিয়র ফেক্টর কাপ্পা বি (এন এফ -কে বি)*** গী মতাংদা পঞ্জখ্রে। মসিনা উনশাগী কেন্সরবু চাওখৎহল্লকপদা মতেং পাংই। অসিগুম্বা প্রোটিনশিংসি থিংদুনা থম্বা মতমদা উনশাগী কেন্সর সেলশিংবু সুইসাইদ তৌহন্দুনা মাঙহল্লি। মসিগা মান্নবা মওং অমদা খোমগী কেন্সরদসু থোকই। তেক্সোলনা কেন্সর সেলশিং হাৎলবসু এন এফ কে বিবু এক্টিভেট তৌহন্দুনা মেটাষ্টেসিস থোকহনবদা মতেং পাঙই অদুবু করকুমিন্নদি এন এফ - কে বিবু স্বিটস *'ওন'* তৌহল্লিবা *আই কে কে প্রোটিন*শিংবু থিংদুনা থম্মী। মসিনা মরম ওইরগা এন এফ - কে বিবু এক্টিভেট তৌদবদগী মেটাষ্টেসিস থোকহন্দে। অদুনা করকুমিন্না খোমগী কেন্সরনা থবোম্বীদা শন্দোরকপদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

নুপী অমগী থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা তুংদা থোকপা খুদোংথিবা কয়ামুক লৈরি। মখোয়সিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক *হোরমোন রিপ্লেসমেন্ট থেরাপিসি* পাঙথোকনৈ। থেরাপি মখলসিদা ইষ্ট্রোজেন অমসুং প্রোজেষ্টিন য়াওরবদি তুংদা খোমগী কেন্সর ওইরকপা য়াবগী চাং হেনগৎলকই। য়ুনিভর্সিটি ওফ মিসৌরিগী কোলেজ ওফ ভেটেরিনরি মেদিসিন অমসুং দাল্টন কার্দিওভাস্কুলর সেন্তরগী থিজিল্লোয়শিংনা উচিশিংদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংগী মতুংইন্না অসিগুম্বা থেরাপিসি চত্থরিবা অমসুং চত্থখ্রবা নুপীশিংনা নুংতিগী য়াইঙং খরা খরা চাহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লি। প্রোজেষ্টিন্না কেন্সরগী সেলশিংদা ঈ পীবা *ভাস্কুলর ইন্দোথেলিএল গ্রোথ ফেক্টর (ভি ঈ জি এফ)* কৌবা মোলিক্যুলশিং পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্দুনা কেন্সরবু থুনা চাওখৎহল্লি। অসিগুম্বা মোলিক্যুলশিংসি করকুমিন্না থিংদুনা থম্মী। অদুনা খোমগী কেন্সর ওইরকপা য়াবগী চাং অমসুং ওইখ্রবা মতুংদা চাওখৎলকপগী চাং হন্থহল্লি।

কেন্সর ষ্টেম সেল হায়রগা কেন্সরদুনা চাওখৎলকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা য়াম্না পীকপা সেলশিংবু খঙনৈ। হৌজিক্কানগী কেমোথেরাপিনা অসিগুম্বা সেলশিংসিদা মীৎয়েং থমদুনা লায়েংবগী থবকসি পাঙথোক্তে। অদুনা কেন্সরসি অমুক হৌরকপা অদুগা অতোপ্পা কয়াৎশিংদা শন্দোরকপা য়াই। অদুনা থিজিল্লোয়শিংনা কেন্সর ষ্টেম সেলশিংসি মাঙহল্লবদি কেন্সরদু লায়না খুদুম চনবা ঙমগনি হায়না থাজৈ। মসিগীসু মথক্তা ফীভম কায়দ্রিবা ষ্টেম সেলশিংগী মশীং হন্থহনবসিনা, কয়াত্তুদা য়াওরিবা স্পেসিএলাইজ তৌদ্রিবা ষ্টেম সেলশিংদুনা মখল অমগী সেল অমা হেক্তা ওইরকপা হন্থহন্দুনা কেন্সরগী রিস্ক হন্থহল্লি। অদুনা ষ্টেম সেলশিংগী মশীং হন্থহনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরকই।

য়ুনিভর্সিটি ওফ মিচিগান (য়ু-এম) কম্প্রিহেন্সিভ কেন্সর সেন্তরগী থিজিল্লোয়শিংনা কেন্সর ষ্টেম সেলশিংবু করকুমিন অমসুং গুন মোরোক (ব্লেক পেপর) তা য়াওবা *পিপরিন* হায়রিবা পোৎসিগা য়ান্নদুনা ত্রিটমেন্ট পীবদা মাঙহনবা ঙম্মী হায়বা চাংয়েং অমদগী খঙবা ঙমখ্রে *(ব্রেষ্ট কেন্সর রিছার্স এন্দ ত্রিটমেন্ট, দিসেম্বর ২০০৯)*। চাংয়েংসিগীদমক থিজিল্লোয়শিংনা খোমগী কেন্সর সেলশিংবু লেবোরেটরিদা হৌহনখি। অদুগা করকুমিন অমদি পিপরিনবু তোঙান তোঙান্না নৎত্রগা পূন্না শীজিন্নদুনা ব্রেষ্ট ষ্টেম সেলশিংদা করি অহোংবা লাকপগে হায়বদু কূপ্না য়েংশিনখি। অসুম্না চাংয়েং কয়ামুক পাঙথোক্লবা তুংদা পিপরিন্না করকুমিন্না তৌরিবা মথৌদা মতেং পাংই হায়বা খঙবা ঙমখি। লোয়ননা কেন্সর থোকহল্লিবা ষ্টেম সেলশিংগী মথৌদা অয়েৎপা পীবসু থেংনখি। অদুবু মখোয়না খোমগী নোর্মেল ওইবা সেল অমদি টিস্যুশিংদদি অকায়বা পীরমদে।

খোমগী কেন্সর ওইরকপা য়াবগী চাং ৱাংনা লৈবী নুপীশিংদা *তামোক্সিফেন* নৎত্রগা *রালোক্সিফেন* হায়রিবা হীদাকশিংসি পীজনৈ মরমদি মসিনা কেন্সর ওইরকপা য়াবগী চাং হন্থহল্লি। অদুবু হীদাকসিগী হু ওইবগী চাং ৱাংনা লৈবনা নুপী ওইবী কয়া অমনদি মসি শীজিন্নবদা খুদোংচাদে। অদুনা করকুমিন অমদি পিপরিনগুম্বা হু ওইবগী চাং নেম্বা কেমিকেলশিংসি শীজিন্নবনা হেন্না ফগনি হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ মিচিগানগী ক্লিনিকেল লেকচরর মধুরি ককারালানা ফোঙদোক্লি। অদুমকপু হৌজিক্কী লৈরিবা মতাংসিদদি মখোয়সি কেন্সর ওইরকপা য়াবগী চাং ৱাংবা নুপীশিংদা পীজনবগীদমক রিকমেন্দেসন তৌবদি য়াদ্রি। মরমদি মীদা মখা তাবা চাংয়েংশিং চত্থগদবা ৱাৎলি অদুগা কয়া য়াম্বা চাংদা পীজবা য়াগদগে হায়বসু য়েংখিবা তারি। মসিগীদমক য়ু-এমগী থিজিল্লোয়শিংনা অহানবা ফেজ-১গী চাংয়েং পায়খৎখ্রে।